রিপ্রদক্টিভ চাইল্ড হেল্থ কেয়র কেম্প

য়াইরিপোক, দিসেম্বর ০৫: গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ ৱুমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্টনা প্রদান মন্ত্রি মাত্রু বন্দনা য়োজনা (পি এম এম ভি ৱাই)গী মখাদা থা অসিগী ২দগী ৮ ফাওবা লৈবাক শিনবা থুংনা চথরিবা মাত্রু বন্দনা সপতাহগী পালন থৌরম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা শিন্দুনা য়াইরিপোক খোয়রোম পি ঐচ সীদসু রিপ্রদক্টিভ চাইল্ড হেল্থ কেয়র কেম্প অমগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর সীঐচ বসন্তনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিগী হেল্থ কেয়র কেম্প অসি পি এম এম ভি ৱাইগী মাত্রু বন্দনা সপতাহ পালন থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা পি এম এম ভি ৱাইগী খুদোংচবা ফংবা য়ারবা মমাশিংবু মিং পানখৎহন্নবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবালনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি। কেম্প অদুদা পি ঐচ সী খোয়রোমনা কোল্লিবা লৈকায়শিংদগী চাজেনবী মমাশিং, মীরোনবী মমাশিং অমদি অঙাংশিংবু অনা-লায়েংখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা হীদাকশিংসু অঙাংশিংদা কাপথোকখি। চাজেনবী অমদি মীরোল্লিবী মমাশিংদা চংদ্রবা য়াদ্রবা হীদাক-লাংথকশিংসু লেম্না য়েন্থোকখি। দিষ্ট্রিক্ট মোবাইল মেদিকেল য়ুনিটকী মোবাইল ভেন অমসু য়াওনা ওলত্রসাউন্দ লৌবগী খুদোংচাবসু ফংহনখি।

মাত্রু বন্দনা সপতাহগী মনুংদা থৌরাং অসিগী মখাদা কান্নবা ফংবা য়াবা মীরোনবী অমদি মমাশিংবু অঙন্বা থাক্তা মিং পানখৎহৌনবা হোৎনরি। মদুগীদমক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবাল, কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরশিং, প্রাইমরি হেল্থ সেন্টরশিং অমসুং অপ্পর প্রাইমরি হেল্থ সেন্টরশিংদা মাত্রু বন্দনা সপতাহ হেল্প দেস্কশিং থমলি। আই সী দি এস অমদি হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিং লৈদুনা মীয়ামদা ৱাখল লৌশিং পীবা, খুদোংচাবা ফংবা য়ারবশিংবুনা মিং পানখৎপা। মসিগী মথক্তা ভিলেজ হেল্থ সেনিটেসন অমসুং ন্যুট্রিসন দে (ভি ঐচ এস এন দি)শিং লৈকায়-লৈকায়দা অশা অমসুং অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিংগা লোয়ননা শিন্দুনা মীরোনবী অমদি মমাশিংবু থৌরাং অসিগী কান্নবা খঙহনগনি অমদি মিং পানখৎপগী থবকসু পাঙথোক্কনি হায়খি।

GAS NEWS

ATHOKPAM INDANE
Booking Upto: 16/10/2019
Valid From: 05/10/2019
Stk : 612 (CTC)
Timing: 06.30 am to 10.00 am
(First Come First Serve)
CANCHI INDANE SERVICE
Booking Upto: 18/10/2019
Valid From: 13/10/2019
14 Kg Stk : 612
5 & 19 Kg Available
Timing: 08.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)
K & K INDANE SERVICE
Sl. No. Upto – 100
Booking Upto: 25/10/2019
Valid From: 22/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.30 am to 11.00 am
(First Come First Serve)
KHORIPHABA (NAMBOL)
Sl. No. : 60001 – 60251
Booking Upto: 02/11/2019
Timing: 07.00 am to 09.00 am
KHONGNANG (NINGTHOUKHONG)
Booking Upto: 03/10/2019
Valid From: 25/09/2019
Stk : 306
Timing: 07.30 am to 10.30 am
LAMSANG GAS AGENCY
Booking Upto: 23/10/2019
Valid From: 22/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.30 am to 10.30 am
(First Come First Serve)
MAIBIA GAS, MOIRANG
Sl. No. : 9521 – 0250
Booking Upto: 17/10/2019
Valid From: 14/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.00 am to 11.00 am
RBD INDANE SERVICE
Booking Upto: 17/10/2019
Valid From: 11/10/2019
Stk : 612 (Only CTC)
Timing: 07.00 am to 10.30 am
YAIRIPOK GAS SERVICE
Booking Upto: 20/10/2019
Valid From: 17/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.00 am to 10.00 am
PATSOI INDANE
Booking Upto: 05/11/2019
Valid From: 25/10/2019
Stk : 306 (DBTL Only)
Timing: 08.00 am to 10.00 am
J RONGMEI SK INDANE WANGOI
Booking on: 14/10/2019
Stk : 306
Timing: 06.30 am to 09.30 am
SAWOMBUNG'S INDANE
Booking Upto: 10/10/2019
Valid From: 27/09/2019
Stk : 306
Timing: 07.30 am to 10.00 am

মীওই ১ পোক্সো এক্টকী সেক্সন ১০গী মখাদা কনভিক্সন পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫(ঐচ এন এস): ঙসিদগীনা চহী ৫ রোমগী মমাংদা মশাগী চহী ১২ লোমদমক ঙাইরিবী নুপীমচা অমদা সেক্স্যুএল এসোল্ট তৌরুই হায়বগী কেসতা পুলিসনা ফাদুনা ৰায়েল চথুরকখিবা মীওই অমা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্স (পোক্সো)এক্ট, ২০১২গী সেক্সন ১০গী মখাদা কনভিক্সন পীখ্রে।

ঙসি স্পেসল জজ (পোক্সো), ইম্ফাল ইষ্ট মাইবম মনোজকুমারনা মহাক্কী ওপন কোর্টতা মরাল লৈরে হায়দুনা লাউথোক্লদুনা কনভিক্সন পীখ্রবা মীওই অদুগী মমিং এম দি বশির অহম্মদ (২৮) কৌই। ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ক্ষেত্রি ময়াই লৈকাইদগী লৈখিদ্রবা এম দি ইবোয়াইগী মচানুপানি।

থৌদোক অসি কুমজা ২০১৪গী জুন ১০দা থোকখিবনি। অদুগা থৌদোক অসিগী রিপোর্টনা মথংগী নুমীৎ জুন ১১গী নুংথিল পুং ৫ রোম তারকপদা ভিক্টিম নুপীমচা অসিগী অপোকপী মমানা ৰিমেন পুলিস ষ্টেসন, ইম্ফাল ইষ্টতা তৌরখিবনি। রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না দব্লিয়ু পি এস অসিনা কেস এফ আই আর নম্বর- ৫ (৭)২০১৪ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩৭৬ (২) (এস) অমসুং পোক্সো এক্ট, ২০১২গী সেক্সন ৪গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

পুলিসকী মায়কৈদগী কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথুরবা মতুংদা মসিগী চার্জশীট কোর্ট অসিদা কুমজা ২০১৬কী এপ্রিল ৩০দা থাগৎলকখি। কোর্টনা চার্জশীট অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা স্পেসল ট্রাইয়ল (পোক্সো) কেস নম্বর- ১ ওফ ২০১৬ লৌখৎলগা মসিগী ৰায়েল চথুরকখিবনি।

কোর্ট অসিদা লিশাং-শীৎনা চথুরকখিবা ৰায়েলগী অরোইবা হিয়রিং হৌখিবা ওক্টোবর ১০দা পাঙথোক্লগা রিজর্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা মসিগী ওর্দর অসিনা ঙসি ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবনি।

কোর্টনা কনভিক্ট পীরবা এম দি বশির অহম্মদকী মথক্তা পুলিসনা আই পি সীগী সেক্সন ৩৭৬ (২) (এস) অমসুং পোক্সো এক্ট, ২০১২গী সেক্সন ৪গী মখাদা চার্জশীট থাগৎলকখ্রবসু কোর্ট অসিনা চার্জ হিয়রিং (চার্জ কন্সিদরেসন) পাঙথোক্লগা মহাক্কী মথক্তা আই পি সী সেক্সন ৩৭৬ অমসুং পোক্সো এক্ট, ২০১২গী মখাদা চার্জ ফ্রেম তৌখিবনি।

অদুবু কেস অসিগী ৰায়েল চথুরকপদা আই পি সীগী সেক্সন ৩৭৬ অমসুং পোক্সো এক্ট, ২০১২গা মরী লৈননা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী মতীক চাবা ইভিদেন্সশিং পুথোকপা ঙমদ্রবসু সেক্স্যুএল এসোল্ট খক্তমক্কী মতাংদা প্রুভ তৌরকপদগী কোর্টনা মহাকপু পোক্সো এক্ট, ২০১২গী সেক্সন ১০গী মখাদা কনভিক্সন পীখিবনি। মহাক্কী ফাদোক্কী মতম লেপথোক্লবা সেন্টেন্স হিয়রিংনা থা অসিগী ৭তা পাঙথোক্কনি।

পনবা য়াবদি কেস অসিগী ৰায়েলদা তোঙান-তোঙানবা প্রোজিক্যুসন ৰিটনেস (পি দব্লিয়ু) ১০ এগজামিনেসন তৌখিবনি।

কে ভি কে থৌবালদা ৱর্ল্ড সোইল দে পাঙথোকখ্রে

খাঙবোক, দিসেম্বর ০৫ (ঐচএন এস): মফম কয়াদা পাঙথোক্লবগুম কৃষি বিজ্ঞান এসেমল্লি কন্সটিট্যুএন্সি কে ভি কে থৌবালনসু 'ৱর্ল্ড সোইল দে কম রবি কেম্প্যেন' ঙসি 'ষ্টোপ সোইল ইরোজন, সেভ অৱার ফ্যুচর' হায়বা থিমগা লোয়ননা কে ভি কে থৌবালগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা লৌমীশিংনা পুথোকপা পোৎলমশিং উৎপা কৃষি মেলাসু পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা খঙাবোক এসেমল্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ও সুর্জকুমার, খঙাবোক জিল্লা পরিষদ মেম্বর কে ঐচ রাজমোহোন অমদি কে ভি কে থৌবালগী হেদ ডা. জে শমারানি সরাংথেমনা অথোয়বা মীথুং, অখন্নবা মীথুং অমসুং থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা লৌমীশিংনা পুথোকপা পোৎলমশিং অমদি কে ভি কেনা লৌমীশিংগীদমক পায়খৎলিবা থৌরমশিং অথোইবা মীথুংশিংনা য়েংশিনখি। লোয়ননা দিপার্টমেন্টগী মায়কৈদগী লৌমী ৬৭১দা সোইল হেল্থ কার্দ অমদি রাবি ক্রোপ বেনিফিসরি ১৫০দা এন এ আর আই, সিদ প্রদক্সন প্রোগ্রাম অমদি ওর্গনিক ফার্মিং প্রোগ্রামগী মখাদা রাবি ক্রোপকী মরু মরাং অমসুং তিল্লোকশিং য়েন্থোকখি। থৌরমগা মরী লৈননা কে ভি কেনা পুথোকপা লিফলেট অমসু ফোঙখি।

অথোয়বা মীথুং ওইখিবা এম এল এ সুর্জাকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, থৌবাল অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ঙসিসু ষ্টেট অসিদদি চানবা চেঙ পুথোকপদা মমিং য়াওরিবা দিষ্ট্রিক্ট অমনি। লৌমীশিংনা পূক্লিং হন্থদনা কন্না হোৎনসি। ঙসি ষ্টেট অসি কেন্সরনচিংবা হঙ্গোইরবা লায়না-লায়োং কয়ানা নারি। মসি পূম্নমক ঐখোয়না চারিবা চিঞ্জাক অসি কেমিকেল ফর্টিলাইজর কয়া শিজিন্নবনা ওইহল্লকপা ওইরম্বা য়াই। মরম অসিনা কে ভি কেনা পুথোক্লিবা অনৌবা টেক্নোলোজি মেথদ কয়া অসি শিজিন্নসি অমদি কে ভি কেনা ওর্গনিককী ওইবা মওংদা পোৎথোক পুথোক্লবা হোৎনরিবা অসি ঐখোয় পূম্নমক্না মতেং পাঙদুনা মায় পাক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

জপাননা লুপা ক্রোর ১৩,০০০ নোর্থ...

লামায় ১গী মখা... গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীরকখিদবনি হায়রি। অদুম্মকপু ইন্দিয়া-জপান সম্মিট অসিদা শরুক য়াবা লাক্কদৌরিবা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর শিঞ্জো অবে ইম্ফালদসু লাক্লুনা মাইবম লোৎপা চীংদা লৈরিবা ইন্দিয়া পিছ মেমোরিয়লদা লাক্লুনা লৈখিদ্রবা জপানিজ লান্মীশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তল্লগদৌরি অমদি ইম্ফাল পিছ ম্যুজিয়মসু য়েংগদৌরি।

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও থোকখিবা মতমদা কুমজা ১৯৪৪দা জপানিজ লান্মী কয়া মণিপুরদা শিখিবনি। লৈখিদ্রবা জপানিজ লান্মীশিং অদুবু নীংশিংদুনা মাইবম লোৎপা চীংদা থল্লিবা ইন্দিয়া পিছ মেমোরিয়লদা লাক্কদৌরিবা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর শিঞ্জো অবেদা মণিপুরগা জপানগা লৈনরিবা মরী অদু কুপ্পা খঙহনবগা লোয়ননা মফম অসিদসু ইনভেষ্ট তৌবীনবা মরী লৈনবশিংগী মায়কৈদগী তকশিনহন্নিংবগী অপাম্বসু মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

কুমজা ২০১০ দা ওভরসিজ দিভলপমেন্ট এসিষ্টেন্স (ও দি এ)গা লোয়ননা জপাননা অৱাং-নোংপোক লমদমগী চাওখৎ-থৌরাং অমদি অতৈহীরম কয়াদা শরুক য়াবা হৌখি অমসুং কুমজা ২০১৪গী মতুংদা লমদম অসিগা জপানগা লৈনবা মরী হেন্না চেৎশিনবা হৌরকখি।

মেঘালয়া অমসুং মিজোরামদা পায়খৎপা প্রোজেক্টশিংদা মীৎয়েং থমগদবা নোর্থ-ইষ্ট রোদ নেটৱর্ক কন্টেক্তিভিটি ইমপ্রুভমেন্ট প্রোজেক্টকী অহানবা ফেজগী ওইনা দোলর মিলিয়ন ৬১০ পীনবগীদমক জপান ইন্টরনেসনল কোওপরেসন এজেন্সি (জে আই সী এ) কুমজা ২০১৭ তা ইন্দিয়াগা এগ্রীমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখি। লেন্দলোক ওইবা অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াদা ইকনমিক মোর্দনাইজেসন পুরক্লবগীদমক্তা কুমজা ২০১৭ তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং জপানিজ প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা এক্ট ইষ্ট ফোরম লীংখিবনি।

ষ্টেটসিগী সিক্যুরিটি ইনভাইরনমেন্টতা...

লামায় ১গী মখা... খুন্নাই অসিগী ঈং-তপ্পা পাম্বা সিটিজনশিংনা মসিগীদমক ৱারিবনি। নোর্থ ইষ্টকী মীয়ামগীদমক হৌখিবা দিকেদ কয়াদগী থবক তৌদুনা লাক্লি। মখোয়গী থবক অসি মখা তানা চথুরকখিগনি।

মণিপুরদা কুমজা১৯৭০ অদুৱাইদগী প্রোব্লেম কয়া মায়োক্লদুনা লাক্লি। নাগা অন্দরগ্রাউন্দগী মুভমেন্ট কয়াসু চীংগী লমশিংদা চথদুনা লাক্লি। শেল-থুমগী ফীভম শোত্থবা অমদি অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া অসিসু ষ্টেট অসিগী ইন্টর্নেল সিক্যুরিটিদা ইফেক্ট তৌবা অমনি। নোর্থ ইষ্টকী মনুংদা ষ্টেট অসি অৱা-অনা কয়া থোকপা অমা ওইরি। এন এস সী এন-আই এম অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা সিজ ফায়র চথখ্রে। অদুবু মখোয়না এক্সটোর্সনগী থবক্তা ইনভোল্ভ তৌবা কয়া অমসু থেংনরি।

ষ্টেট অসিগী সিক্যুরিটি ইনভাইরনমেন্টতা ইম্প্রুভমেন্ট কয়া লাকপগা লোয়ননা লো এন্দ ওর্দর কোন্ষেট তৌনবা খোঙথাং কয়া পায়খৎলক্লি। পুলিস অমদি সিক্যুরিটি ফোর্স কয়ানা তম্পাক্কী লমদসু খোঙথাং কয়া পায়খৎলি। অসিগুম্বা খোঙথাংশিং অসি চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদসু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অদুম্মক চৎখে। অসাম রাইফলসনসু খোঙথাং কয়া লৌখৎলি। গোল্ডন ট্রাইঙ্গল, লাওস, ম্যান্মার অমদি থাইলেন্দগা নক্না লৈবা মফম ওইবনা ইলিগেল মার্কেটকী ওইবা কয়া অমসু থেংনরি। মরম অসিনা বোর্দর অসি ময়াই কাবা দ্রগ, আর্মসনচিংবা কয়াগী স্মগ্লিংগী বরনরেবল ওইবা মফম ওইরি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অসিগুম্বা কয়া অসি থেংননবা হোৎনরি। ষ্টেট অসিগী সেক্সন খরদি গ্রেট মায়োক্লরি। সেমিনার অসিনা আর্মি অমসুং অসাম রাইফলসগী ইমিনেন্ট পর্সনেলিটিশিং য়াওনা খন্ন-নৈনদুনা নোর্থ ইষ্টতা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা ৰেজ এন্দ মিন্স কয়া এক্সপ্লোর তৌগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা অসাম রাইফলসকী দিরেক্টর জেনরেল লেফটনেন্ট জেনরেল সুখদীপ সংৱান, এস এমনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। সেমিনার অদুদা আর্মি অমসুং অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসল কয়ানা তোঙান তোঙানবা টোপিকশিংদা ৱা ঙাংখি।

কম্মান্দো পর্সনেল ১২ চেন্নবা দ্রগ কেস

কোর্টনা আই ও ওইখিবা পুলিস ওফিসরগী ষ্টেটমেন্ট লৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) : ঙসিদগীনা চহী ৬ লোমগী মমাঙ হৌখিবা কুমজা ২০১৩গী এপ্রিল ২৮ গী অয়ুক্তা পল্লেল পুলিস ষ্টেসনগী ন্যু বিল্ডিংগী গেট মমাঙদা অচৎ-অওকশিং ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং তৌখিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা য়াম্লবা সিউদো ইফিদ্রিন য়াওবা থিংলবা দ্রগশিংগা কোন্ননা পর্সনেল কয়া ফাখিবা থৌদোক্কী কেসতা পুলিসকী ইনভেষ্টিগেসন ওফিসর (আই ও) ওইখিবা পুলিস ওফিসর অমগী ষ্টেটমেন্ট কোর্টনা লৌখ্রে।

ঙসি উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল কোর্ট, এন দি এন্দ পি এস (ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট)না ষ্টেটমেন্ট লৌখিবা পুলিস ওফিসর অদুগী মমিং ৰাই চন্দ্রমনি (৫৯) কৌই। থৌবাল খেকমন মখা লৈকায়দগীনি। লৈখিদ্রবা ৰাই বিরাগী মচানুপানি।

কেস অসিগী প্রোজিক্যুসন ৰিটনেস (পি দব্লিয়ু) নম্বর ১৪ ওইরিবা পুলিস ওফিসর অসিনা কেস অসিগা মরী লৈননা মমাঙথক্তা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট কোর্ট অসিদা পীবা হৌখ্রবনি। অদুবু কেস অসিগী আই ও অমসু ওইখিবা মহাক্কী ষ্টেটমেন্টশিং কোর্টনা রেকোর্দিং তৌবগী থবক অদুগী শরুকশিং ৰাৎহৌবদগী ঙসি মখা তানা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট লৌখিবনি। ঙসিসু মহাক্লা পুন্না লামায় ৭ পানবা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট পীখি। অদুম ওইনমক ঙসিসু মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট লৌবগী থবক অসি লোইশিনবা ঙমদবগা লোয়ননা কেস অসিগী এক্যুইজশিংগী মায়কৈদা লেপ্লিবা দিফেন্স কাউন্সেলশিংগী ক্রোস এগজামিনেসনগী থবকসু ৰাৎলিবনা মখা তাবা শরুকশিং মথং থাগী অনীশুবা চয়োলদা পাঙথোক্লবা কোর্টনা লেপখি।

য়াম্লবা দ্রগশিং অদু কম্মান্দো পর্সনেলশিং অদুনা মখোয়দা ইস্যু তৌবা অঙৌবা মচুগী মারুটি জিপসি অনীদা হাপ্লগা ইম্ফাললোমদগী মোরে তম্না পুশিল্লকখিবনি। ফাগৎখিবা থিংলবা দ্রগশিং অদু চাউরাক্লা লুপা ১,২১,৩৪,০০০ রোমগীনি হায়না ক্লেম তৌখিবনি। ফারবা দ্রগশিং অদু কম্মান্দো পর্সনেলশিং অদুগা লোয়ননা ককচিং পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নবদগী পি এস অসিনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। ককচিং পি এসনা লৌখৎখিবা কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর- ৬২(৪)২০১৩নি। কেস অসি এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ২১/২৯ অমদি আর্মস এক্টকী সেক্সন ২৭ কী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি। অদুগা ঙসি ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট অসিদা মখা তানা ষ্টেটমেন্ট পীখিবা পুলিস ওফিসর অসিনা মতম অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট (ওপস) ওইরিঙৈদা কেস অসিগী আই ও ওইখিবনি।

অদুবু পুলিসকী মায়কৈদগী কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌরক্লবা মতুংদা মণিপুর লৈঙাক্লা কেস অসি সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই), কোলকাটাদা খুৎশিন্নখিবনি। সী বি আইগী মায়কৈদগী থৌদোক অসিগী মতাংদা লৌখৎখিবা কেস নম্বর আর সী- ০৮/এস/২০১৩-কোলকাটা অন্দর সেক্সন ৯ এ, ২৫, ২৫(এ) অমসুং২৯-এন দি এন্দ পি এস এক্ট, ১৯৮৫, ২৭ অমসুং ২৯ আর্মস এক্ট অমদি ১৬৮, ৪২০, ৪৬৮, ৪৭১ অমসুং ৩৪ আই পি সীনি। লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী অসিনা ফ্রেম তৌরকপা চার্জশীটতা য়ুম্ফম ওইদুনা কেস অসিগী ৰায়েল ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট অসিদা চথুরকপনি।

দান্স একাদেমী ইম্ফালদা নুমীৎ হুম্নি চৎথগদবা কথক উটসব হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৫ (ঐচ এন এস) : জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমী ইম্ফাল অমদি কথক কেন্দ্র ন্যু দিল্লিগা খুৎশম্ন দুনা নুমীৎ হুম্নি চুপ্পা চৎথগদবা কথক উটসব ঙসি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমী ইম্ফালদা হৌদোকখ্রে। কথক উটসব হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা লমদম অসিগী শক্লাইরবা রতন থিয়াম্না হায়, আর্ট হায়বসি অৱাংবা থাক্কী প্রোফেসন অমনি অদুবু ঙসিদি খুদোংচাদবা কয়া অমা মায়োক্লবনা অৱাবা ফীভম অমদা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায় ঙসিগী হৌগৎলক্লিবা আর্টপু পামজদুনা চঙশিল্লিবা মীওইশিং অমদি মতম অসিগী থবক খুদিংমক্তা য়াম্না থুনা মাং থানা চৎপগী ফীভম অমা লাক্লিবসি অফবা খোঙথাং নত্তে। প্রেসর কুকরদা থুনা থোংবা এঞ্জাং অমদি মৈদা থাদুনা তপ্পা-তপ্পা থোংদুনা ঙাইদুনা চাবগী মহাউ শোয়দনা তোঙানগনি খল্লি।

আর্ট অমবু চাউখৎহনগে নত্রগা ফজবা হেনগৎহনগে হায়রবদি তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী তোঙান-তোঙানবা কলচরশিংগী মরমদা খঙবা অমা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা কথক কেন্দ্র ন্যু দিল্লিগী চ্যেরপর্সন কমালিনি অস্থানা, জে এন এম দি এগী ভাইস চ্যেরমেন প্রো. ঐচ তোম্বি, জে এন এম দি এগী দিরেক্টর এল ওপেন্দ্রোসু শরুক য়াখি। থৌরমগী মখা তারকপা ওইনা কথক কেন্দ্রগী মহৈরোয়শিংনা কথক জগোইগী ফজরবা পর্ফোমেন্স উৎখি।

হিরোইনগা কোন্ননা ফাখিবা মীওই মরি জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) : নার্কোটিক্স এন্দ এফ্যেরস ওফ বোর্দর (এন এ বি) পুলিস ষ্টেসন অমসুং নার্কোটিক সেল, ইম্ফাল ৰেষ্টনা মমাঙ থাগী ২৪ অমসুং ২৮দা হিরোইন নম্বর ফোরগা কোন্ননা ফাগৎখিবা মীওই মরি জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

ঙসি স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস) লম্ফেলনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রবা মীওইশিং অদুদি ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন য়াংবীদগী এম দি নৱাজ সরিফ (২২), অপোকপা এম দি কলাম, মোরেগী মোংজাং ভিলেজদগী থাংতিনলেন বাইতে (২৭), অপোকপা লৈখিদ্রবা থাংখোজাম, চুড়াচান্দপুরগী গোথোলগী টি চভাংফাই ভিলেজদগী রেবেক্কা ভাহখোলহিং বাইতে (৩৮) অমসুং মোরে ৱার্দ নম্বর ৮ দগী খুমন্থেম তোম্বা (৩৮), অপোকপা কে ঐচ রঘুমনিনি।

এম দি নৱাজ সরিফনা হৌখিবা থাগী ২৮ দা ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাক্কী সাপম লৈরক (ৱাটর সপ্লায়) মনাক্তগী হিরোইন গ্রাম ৮৪ গা কোন্ননা ফাবনি। অদুগা অতোপ্পা মীওই অহুম অসিনা হৌখিবা থাগী ২৪ দা খোংসাই ভেংগী চর্চ মনাক্তা লৈবা অশানবা য়ুম অমদা লৈবা রেবেক্কাগী কা অমা অমসুং খুরাই থিঙোম লৈরক অয়াংপল্লি রোদকী এল্লাহাবাদ বেঙ্ক ময়াদগী ফাবনি হায়রি।

ফারবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা ময়াং ইম্ফাল পি এস অমসুং এন এ বি পি এসনা কেস অমমম রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা ঙসি ফাওবদা মখোয়গী কষ্টদিদা থমদুনা ৱাহং-পাউহং চথুরকখিবনি। অদুবু ঙসি মখোয়গী পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম লোইরদুনা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা কোর্ট অসিদা পুথোরকখিবদা কোর্টনা অয়াবা পীদুনা থা অসিগী ১২ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি।

মেনপেকনা অকনবা খোঙজং চঙশিনবা...

লামায় ১গী মখা... খোঙজং অমদি খোল্লাউ অসি ঙসিদি ঐখোয় পূম্বগী খেন্নবা লৈতবা ৱান লাইন দিমান্দ ওইরে। অদুনা ঐগী-ঐগী লূপ, পার্টি, চীংমী-তম্মীগী ওইবা ৱাফম কাউথোক্লরগা অমত্তা ওইবা দিমান্দ হায়বদু ওইরবনিনা কমদৌনা সী এ বিদগী মণিপুর ষ্টেট অসি কলহৌগদগে হায়বদুগী অচেৎপা ৱারেপ লৌমিন্নসি। লোয়ননা মখা তাবা খোঙজংগী ৱারেপ্লগনি। মসিদা মীয়ামসু য়াওবীয়ু।

ঙসি ফাওবদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যের্সকী ওফিসল প্রোসেসতা লৈরিবা অমদি য়ুনিয়ন কেবিনেট মীফমনা অয়াবা পীখ্রবা সী এ বি অসি মণিপুর ষ্টেটতা এক্সটেন্ট তৌররোই হায়বা ৱাফম অমত্তা পন্দবনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী দিমান্দ অসি হেন্না কুপথনা খন্নরগা তান্নবগী তঙাইফদবা তাঞ্জা অদু লাক্লে। নৎত্রগদি মণিপুরগী ৱাফম অমত্তা য়াওদনা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকখিবা হায়বসি ঐখোয় পূম্বগী লাইবক থীবা ওইগনি। মরম অদুনা ঐখোয় পূম্বা মীৎ-না শিংনা কুপ্পা শেন্নরগা খোঙজং চঙশিনবা মথৌ তারে। লাক্লিবা দিসেম্বর ৯ ফাওবদা সী এ বি অসি পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্কনি হায়বগী ৱাফম লৈরবনা ঐখোয় খোঙজেল য়াঙনা অমদি হেন্না অকনবা খোঙজং চঙশিনবা মথৌ তারে হায়বা ৱাফমসু মীয়ামদা থমজরি হায়না মেনপেকনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরদা বি জে পি বোয়কোট তৌরকপা...

লামায় ১গী মখা... রাজ্য সভাদসু পাস তৌখিবা য়াবগী অকিবা অদুম লৈ। ওপোজিসন পার্টিশিং মরুওইনা লেফ্ট দল অমসুং কোংগ্রেসনচিংবশিংনা কন্না হোৎনরি। অদুবু লুরিবদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা মীয়ামদা শক্লিবা ৱাশক অদু কয়াম্না তাৎ তৌবগে হায়বদু অসিগুম্বা বিল অসি পুথোকপা মতমদা ময়েক শেংনা খঙগনি। বিল অসি এন্টি সেক্যুলর ওইবা অমনি। নোর্থ ইষ্ট রিজন শোক্লকপগী অকিবা অসিগী মনুংদা মণিপুরনা য়াম্না শাথি। ম্যান্মার, বাংলাদেশনচিংবদগী লাকপা ফোরনরশিং ঈশিং-ঈচাউগুম ৱাংখৎতুনা লৈবা মফম অমনি। সী এ বি পাস তৌরকপা তারবদি য়েলহৌমীশিং শোয়দনা মাঙখ্রগনি হায়বসি সী পি আইনা ফাওই। নাগালেন্দদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনৈ। মপান্দগী মীতোপ চঙবা য়াদবগী অথিংবা কয়া লৈ।

হোম মিনিষ্টরনা হায়রকপা মরুওইনা সিক্স সেদ্যুল এরিয়াদা সী এ বি চৎনহন্দনবা ৱাফম খন্নগনি হায়বসিনি। চীংদদি অতোপ্পশিং খুন্দাবা য়াদবগী চৎন-কাঙলোন অদুম্মক লৈরিবনি। আই এল পি লৈবা মফমদসু চৎনহল্লোই হায়রি। মণিপুরদা আই এল পি চৎনবগী ৱাফমসু পায়খৎত্রি। ঙাইহাক্কী ওইবা তাৎ কয়া হায়জিল্লি। মণিপুর অসি বাংলাদেশ, অফঘানিস্থান অমসুং পাকিস্থান্দগী লাকপা কাঙলুপশিংনা ফুজিল্লক্লুনা ঐখোয় মাইনোরিটি ওইরগনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তৌরিবা অসি ৱারৌদবা ঙমদে। পাৱর পায়বগী খুদোংচাবা লৌরগা শাথিরবা পোলিসী চথরি। ষ্টেটসিগী লৈঙাক অসি খ্বাইদগী অশোনবা ওইরি। সেন্টরনা হায়রকপদা করিমত্তা হায়বা ঙমদনা লৈরি। দিসেম্বর ১৩ গী মমাঙদা এসেমল্লী কৌদ্রিবা করিগীনো। দিসেম্বর ১৮ দা করিগী কৌরিবনো। সী এ বি চৎনবা য়ারোই। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি শোকহনবা য়ারোই হায়না ৱারেপ লৌরগা পার্লিয়ামেন্ট সেসন মনুংদা হায়ফম থোকই। সী এ বি চৎনহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরি। সী পি আইগী এগজিক্যুটিভ অমদি ফ্রন্টশিংগা ফম্মিন্নরগা অকনবা ৱারেপ খরা লৌরগনি। সী এ বিগী মায়োক্তা ফাইট তৌগনি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মায়োক্তসু ফাইট তৌগনি। পাৱর পায়বগী খুদোংচাবা লৌরগা বি জে পিনা তৌনিংবতা তৌদুনা মীয়াম মাইনোরিটি ওন্থোকখিনবা অমদি য়েলহৌমী মুখৎনবা হোৎনরিবা অসি সী পি আইনা অরেপ্পা লৈতনা থেংনগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল সী পি আইগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমারনা হোম মিনিষ্টর উনরুবগী পাউদমশিংসু তমখি।

জুদিসিয়রি সিষ্টমদা চৎতুনা মরাল লৈবশিং লোনা চৈরাক...

লামায় ১গী মখা... খুল-খুলগী কোর্ট লিংদুনা ৰায়েল চথরগা মরাল লৈবশিংদা চৈরাক ওইনা ওকশা, ষণদং, কোংহনবনচিংবা কয়া অমা চথদুনা লাক্লি, ঙসিসু চথরি।

ইন্দিয়ন জুদিসিয়রি সিষ্টমগী মখাদা চহী নৌরিবী য়াওনা নুপীবু ফল্লানবা, সেক্স্যুএল এসোল্ট তৌবগী থৌওংশিং থিংননবা লো কয়া, এক্ট কয়া অমা লৈরে। খূদম ওইনা মশাগী চহী ১৮ শুদ্রিবী নুপীমচাশিংদা ফল্লানবা নৎত্রগা সেক্স্যুএল এসোল্ট চথবশিংবু চৈরাক ফংহন্ননবা দি প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্সেস (পোক্সো) এক্ট ২০১২ লৈরে। নুপী অমসুং অঙাংশিংদা চথবা ক্রাইমশিংগা মরী লৈনবা কেসশিংগী জুদিসিয়রিগী ওইবা থবক থৌরমশিং খুমাং য়াঙশিন্ননবা ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট ফাওবা ষ্টেট অসিদা লিংখ্রে। মরাল লৈরবা মীওই কয়া ইন্দিয়ন জুদিসিয়রি সিষ্টমগী মখাদা মানা-মানা চথখিবা ক্রাইমশিংগী মতুংইন্না জেলদা চহী ৫, ১০ অমদি মপুন্সি চুপ্পা লৈগদবা য়াওনরি। কষ্টমরি লো নত্রগা কষ্টমরি প্রেক্টিসনদি মরাল লৈবা মীওই অদু ওকশা, ষণদং নত্রগা মদুগা মান্নবা শেনফম খরা কোংলগা তোকপা ঙাক্তনি। খুলগী নত্রগা সিভিলগী ওইবা কৈশুমশঙ লৈতবনা মরাল লৈরবা মীওই অদু ফ্রী ওইনা অদুম্মক খুলদা লৈগনি। মরাইবক থীরবদি ভিক্টিম ওইরিবী নুপী অদুসু খুল অদুদা লৈগনি, ময়ুমদা লৈবা য়াদবনিনা চৎথোক-খোৎতোকপা মতমদা মহাকপু নমদুনা ফল্লানবীখিবা নৎত্রগা সেক্স্যুএল এসোল্ট তৌবীখিবা নুপা অদুগা উনবদা অকিবা কয়া ফাওরমগনি। মদুনা মরম ওইরগা কৈদৌনুংদা ভিক্টিম ওইরিবী নুপী অদুগী ৱাখল লৈতাফম খঙলোই। মদুনা মরম ওইরগা ৱাখলগী অনাবা ওইহল্লকপসু কয়া অমা য়াওরিবনি। কষ্টমরি লো নত্রগা কষ্টমরি প্রেক্টিসনদি মরাইবক থিরবী নুপী নত্রগা নুপীমচা অদুগী রিলিফ নিংথিনা ফংহনবীদে। মতাং অসিদনি কষ্টমরি লো নত্রগা কষ্টমরি প্রেক্টিসকা জুদিসিয়রি সিষ্টমগগী মরক্তা খেন্নবা কয়া অমা লাক্লিবা অসি। সিষ্টম অনী অসি চুশিন্নহনসি হায়রবদি হান্না লৈরিবা কষ্টমরি লো নত্রগা কষ্টমরি প্রেক্টিসকি পোইন্টশিং অদুগী মথক্তা মরাইবক থিরবী নুপী নত্রগা নুপীমচা অদুগী ৱাখল লৈতাহন্নবা অনৌবা পোইন্ট ১০/২০ হাপচিনবা মথৌ তাই খল্লি। মরাল লৈরবা মীওই অদুবু লৈঙাক্কী জেলদা থম্বা নত্রগা খুলগী ওইবা জেল লিংদুনা থম্বা মথৌ তাই। হৌজিকমক্কী ওইনদি খুলশিংদা জেল লৈত্রি, অদুগা জুদিসিয়ারি সিষ্টমদা ৰায়েল চৎথদুনা মরাল লৈরে হায়না লাউথোক্ত্রিবা মী অমবু লৈঙাক্কী জেলদা থম্বা হায়বদুসু ওইথোকপা লৈত্রি। মরম অদুনা কষ্টমরি লো নত্রগা কষ্টমরি প্রেক্টিসতা লোইশিনবগী মহুত্তা জুদিসিয়রি সিষ্টমদা চৎতুনা লোগী ওইবা ৰায়েল চৎথদুনা মতম চঙলবসু চঙনা মরাল লৈরবা মীওই অদু চৈরাক ফংহনবনা হেন্না ফগনি খল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

করিগীদমক চীংগী মফমশিংদা নুপী অমসুং নুপীমচাশিংদা ফল্লানবীবা নৎত্রগা সেক্স্যুএল এসোল্ট তৌবদা চেন্নবা মরাল লৈবা মীওই অদু চৈরাক ফংহন্ননবা করিগীদমক্তা জুদিসিয়রি সিষ্টমদা চৎতুনা লোগী মতেং লৌনদ্রিবনো হায়না হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা হেচিন হাওকিপনা হায়খি, চীংগী মফমশিংদা চহী নৌরিবী কয়া য়াওনা নুপী কয়াবু ফল্লানবীবা, সেক্স্যুএল এসোল্ট তৌবীবা অসি অয়াম্বনা লৈত-লায়রবা, তুশেন-মাশোন্নবা ইমুং-মনুংগী নুপীশিংদনা হেন্না চখৈ। মদুগীসু মথক্তা লোগী ওইবা করি-করি চৈরাকশিং মরাল লৈবশিংদা ফংহনবা য়াবগে, ভিক্টিম ওইরিবী অদুগী রিহেবিলিটেসন অমসুং করি করম্বা কম্পেন্সেসনশিং লৈঙাক্তগী ফংবা য়াবগে হায়বদু অয়াম্বনা খঙনদে। চীংগী মফমশিংদদি ৱাকৎফম পুলিস ষ্টেসন অসি নক্না লৈতবা, ৱাকৎনবগীদমক পুলিস ষ্টেসন য়ৌনবা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খোঙনা কিলোমিটর কয়া চৎকদবা, লম্বী-থোংগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবা, অদুগীসু মথক্তা পুলিসতা ৱাকৎতুনা লোগী ওইবা ৰায়েল লৌনবা হোৎনৈ হায়না খঙ্গথবদি এক্যুজকী কাঙবু অদুনা লম্বী-লমখাংদা হেন্না শাথীবা থবকশিং চথবীরক্কদ্রা হায়বগী অকিবা লৈবা কয়া অসিসু মরুওইবা মরমশিং ওইরি। মসিগীসু মথক্তা ভিলেজ ওথোরিটিগী কষ্টমরি লো নৎত্রগা কষ্টমরি প্রেক্টিসকী ৱাংমদা থবক তৌরে হায়দুনা ভিক্টিম ওইরিবী অদুদা অমুক ওনশিনবীরক্কনি হায়বগী অকিবসু অদুম্মক লৈ। কষ্টমরি লো নৎত্রগা কষ্টমরি প্রেক্টিসনা নমদুনা ৱারোইশিন পুরক্লে হায়না তৌরম্বা থৌদোক কয়াবু হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্টশিংনা মতেং পাংদুনা কেস লৌখৎহল্লগা লোগী ওইবা থবক লৌখৎহনবদা মরাইবক থিরবী ভিক্টিম অদুদা অমদি মহাক্কী ইমুং-মনুংদা অকি-অখং নংহনবীবসু অদুম্মক থোক্লিবনি। মসিনা মরম ওইরগা অয়াম্বা থৌদোকশিং কষ্টমরি লো নৎত্রগা কষ্টমরি প্রেক্টিসতা লোইশিনখিবা ঙাক্তনি। চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদসু লোনা করি-করি হায়রি, করি কান্নবা ফংহল্লি, মরাল লৈবশিংবু করম-করম্বা চৈরাক পীরি হায়বগী মতাংদা এৱ্যেরনেস মপূং ফানা ফংহন্দুনা জুদিসিয়রি সিষ্টমদা ভিক্টিম ওইরিবীশিংনা লাক্লনবা হোৎনবীরবদি মরাল লৈবশিং লোগী চৈরাক মপূং ফানা ফংহনবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

[illegible]

মোইরাংথেম ইবোতোম্বী লৈখিদবগী ২৫ রকশুবা নীংশিং থৌরম



দিসেম্বর ৭, ২০১৯, পোইনুগী ১১নি পানবা থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ৯ তাবদা হান্নগী মণিপুর লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইবিদুনা লৈবাক মীয়ামগী থৌগায় কয়াদা মাঙজিল থাবিরম্বা অমদি লৈবাক্কীদমক্তা থৱায় কৎপীখিবা মোইরাংথেম ইবোতোম্বী লৈখিদবগী ২৫ রকশুবা নীংশিং থৌরম মহাক্কী পোক্লফম লমদম হৈরোক পার্ট-টু ময়ায় লৈকায়দা লৈবা দিভাইন লাইফ ক্লবকী গ্রাউন্দদা পাঙথোকচরগনি।

কুমসি চহীগী নীংশিং থৌরমদি চহী ২৫ চুপ্পা ৱামিন্নরক্লবা খুঞ্জাশিংনা অৱা তেংথাবগী মীকুপশিংদু থাদোক্তুনা লুচিংবা অসিনা পামজরম্বা অওনবা, মান্নবা অমদি অমত্তা ওইনা পূনশিনমিন্নবা হায়বা ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম ওইদুনা পাঙথোকমিন্নসি। লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিবু ইকায়খুম্নবা উৎপা, মশা-মউ ফরবা নহা ৩০০ লেম্না ঈ পীবা লোয়ননা লিশাংশিংনা চথরকপা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা হৈরোক এ সীগী অহল-লমনশিং, মপুরোইবা লৈখিদ্রবীশিং অমসুং মীয়ামগা হকচাংগী ফীভম মান্নদ্রবা মীওই ১৫৮২দা থা ৬/৬কী মোইরাংথেম ইবোতোম্বী মেমোরিএল পেন্সন স্কিম য়েন্থোকপনা থৌরমগী মপূং ওইবা শক্তম ওইগনি।

HL-B/5872/6

Sd/- Moirangthem Ibotombi Memorial
Charitable Trust, Heirok

KINGDOM
SPOKEN ENGLISH
SPOKEN HINDI
& COMPUTER INSTITUTE
JUNIOR CLASSES (V TO IX) FROM 12TH DEC. 2019
SIR NAOBI LOITONGBAM
- 19 YRS. TEACHING EXPERIENCE
- 3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
- 2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
- 1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
- MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES - AS AN ENGLISH LANGUAGE TRAINER (SPONSORED BY UGC)
English Course + Free 1 mth. Computer Course
For : Students, College Students, Businessmen, Housewives, Office goers, Air Hostess Aspirants, Teachers, Entrepreneurs, Senior Citizens, etc.
COMPUTER COURSES :
- DCA, CCC, CCP, C/C++, DTP, Tally GST, Typing HTML Programmings, Data Entry, etc.
- Sunday Spoken English Class only for Class V - IX at 6 am to 9 am
7005622203, 7005776944, 7005665814
Venue : GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER, Opp. G.P. Women's College, Old Lambulane
TSE-D-8M
HL-B/5792/9,10,12